# বাঘদাদতা আই এসনা সুইসাইদ এটেক অনী চথ্খদুনা মীচম অমদি লান্মী ২৭ হাৎখ্রে



বাঘদাদ, জুন ০৯ (এজেন্সী) :
ইরাক্কী কেপিটেল বাঘদাদকী মনুং অমসুং মপান্দা ঙসি চথ্খিবা সুইসাইদ এটেক অনীদা য়ামদ্রবদা মীওই ২৭ শিখ্রে অমসুং মীওই দজন কয়া অশোক-অপন নংখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোক্লি। খ্বাইদগী শাথিবা এটেক অদু বাঘদাদকী সিয়াইটশিংনা নম্মা লৈবা মফম অমগী কম্মর্সিয়েল এরিয়াদা চথ্খি। য়ামদ্রবদা মীচম ১৫ এটেক অদুদা শিখি অমসুং ৩৫না শোকখি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।

অতোপ্পা সুইসাইদ বোম্মর অমনা মহাক্কী কার বোমদু বাঘদাদকী অৱাংদা লৈবা ইরাকি আর্মিগী চেকপোইন্ট অমদা থৌজিন্দুনা পোকখায়হনখি অমসুং এটেক অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ২৩ শিখি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি। কেপিটেলগী অৱাংলোমদা কিলোমিটর ২০ লোম লাপ্না লৈবা টাজি টাউন্দা চথ্খিবা এটেক্তা মীচম তরেৎ অমসুং ট্রুপ মঙা শিখ্রে হায়না পুলিস ওফিসর অমনা ফোঙদোকখি। এটেক অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ২৮ অশোক-অপন নংখি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

মেদিকেল ওফিসলশিংনা শিখিবা অমসুং শোকখিবশিংগী মশীং কনফর্ম তৌখি। ওফিসল খূদিংমক প্রেসতা ব্রীফ তৌনবগী অয়াবা পায়দবনা মরম ওইদুনা মশক মমিং ফোঙদোকহনখিদে।

ওনলাইনদা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপনা অনৌবা বাঘদাদ এটেক অদুবু ক্লেম তৌখি অমসুং এটেক অদু সিয়াইট মিলিস্যাগী মেম্বরশিংদা টার্গেট তৌদুনা চথ্খিবনি হায়খি। অনীশুবা ওনলাইন ষ্টেটমেন্ট অমদসু টাজিগী বোম্মিং অদু ইরাকি আর্মিদা টার্গেট তৌদুনা মখোয়না চথ্খিবনি হায়না ইস্লামিক ষ্টেটনা ফোঙদোকখি।

এ পিনা ষ্টেটমেন্টশিং অদুগী অচুম চুমদশিং ভেরিফাই তৌবা ঙমখিদে তৌইগুম্বসুং ষ্টেটমেন্টশিং অদু এক্সত্রিমিষ্টশিংদুনা তোয়না শীজিন্নবা মিলিটেন্ট ৱেবসাইট অমদা থাগৎলকখিবনি। সুনি এক্সত্রিমিষ্ট গ্রুপ অদুনা ইরাক্কী সিয়াইট মেজোরিটি, সিক্যুরিটি ফোর্সশিং অমসুং গভর্ণমেন্ট ওফিসলশিংদা তোয়না টার্গেট তৌই। হন্দক চয়োল খরা অসি বাঘদাদতা নুমিৎ খূদিংগী এটেক লেপ্তনা চথ্খি হায়বা য়াই।

কেপিটেল অমসুং মসিগী ৱাংমদা চথ্খরক্লিবা শাথিরবা এটেকশিং অদু মিলিটেন্টশিংনা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মীৎয়েং ফ্রন্ট লাইনশিংদগী চোইথোকখিনবা হোৎনরক্লিবনি হায়না ইরাক্কী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা লৌরি।

এটেকশিং অদু হৌখিবা থাদা অচৌবা মিলিটরি ওপরেসন অমদা ইরাকি ফোর্সশিংনা আই এস পায়শিন্দুনা থল্লকখিবা ফালুজা সিটিদা চঙশিনখিবা মতুং নোংমা লৈরগা চথ্খরক্লিবনি।

বাঘদাদ সিটিগী নোংচুপলোমদা কিলোমিটর ৬৫ রোমদমক থাপ্পা ফালুজা অসি ৱেষ্টর্ন ইরাকতা লৈবা আই এসকী অরোইবা মরুওইবা ষ্ট্রোংহোল্ডশিংগী মনুংদা অমনি।

এক্সত্রিমিষ্ট গ্রুপ অদুনা হৌজিকসু লৈবাক অদুগী অৱাং নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা লম কয়া লোয়ননা ইরাক্কী অনীশুবা খ্বাইদগী চাউবা সিটি মোসুল কেন্ট্রোল তৌরি।

# নোর্দর্ন সিরিয়াগী আই এস মিলিটেন্টশিং হন্দোকখ্রে



দামাস্কস, জুন ০৯ (এজেন্সী) :
কর্দিশশিংনা দোমিনেট তৌবা সিরিয়ন দেমোক্রেটিক ফোর্সশিংনা নোংপোকলোমদা অকনবা লাঞ্চং অমা চঙশিনবনা রেবেলশিংদা মতেং ওইখিবগা লোয়ননা ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্টশিংগী মথক্তা অকনবা প্রেসর পীরি হায়রি।

এস দি এফকী এটেক অদু টর্কিশ বোর্দরগী পরিংদা লৈবা ইস্লামিক ষ্টেটনা অরোইবা ওইনা পায়শিন্দুনা থল্লিবা মনবিজ হায়না খঙনবা লম মচেৎ অমবু পায়শিন্নবা হোৎনবগী পান্দমদা পাঙথোক্লিবনি। মফম অদু আই এসকী দি ফেক্টো কেপিটেল রাকাদা পোৎচৈ পুশিনবদা শীজিন্নরিবা লম্বীগী ষ্টেসন অমনি।

মনবিজ সিটি ফ্রন্টিয়রদগী কিলোমিটর ২০ লোমদমক লাপ্না লৈ। মখোয় সিটি অদুগী চিদাইদা লৈ হায়না এস দি এফনা ফোঙদোক্লি।

"বৃটেনদা বেজ তৌবা সিরিয়ন ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসকী মকোক রামি অব্দুল রহমননা "মারিয়াবু লাঙ্গোই চন্দুনা থল্লম্বদু তোক্লে" হায়না হৌখিবা য়ুমশকৈশদা ফোঙদোকখি। মারিয়া অসি রেবেলশিংনা পায়শিন্দুনা থল্লিবা এনক্লিব অমগী মরু ওইবা শরুক অমনি।

সিরিয়ন ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসকী মতুং ইন্না, এস দি এফনা ঙসিগা নুমিৎ ১০নি শুরক্লবা মখোয়গী কেম্পেইনদা আই এস মিলিটেন্টশিংদগী খুঙ্গং অমসুং ফার্ম ৭০ রোম নৌনা লৌশিনখ্রে।

চৈরকসিদা, আই এসকী লৈঙাক্তগী লিবরেট তৌনবা অরোইবা অচৌবা লাঞ্চং অমা চঙশিল্লকপা য়াই হায়বগী চিংনবনা মরম ওইদুনা মীচম লীশিং কয়া মনবিজ থাদোক্তুনা চেন্নখ্রে হায়রি।

এস দি এফকী এদভাইজর নশর হজ মনসৌরনা হায়খি, আই এস গ্রুপনা ইমুংশিং অদুবু টাউন অদু থাদোক্তুনা মনাক নকপা জরাবলস অমসুং অল-বাবতা চেনবা য়াহনখি।

# য়েৎনরিবা মফমদা চাইনিজ সিপ থৌজিল্লকপদা জপাননা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে



টোকিয়ো, জুন ০৯ (এজেন্সী) :
ইহান হানবা ওইনা ঙসি য়েৎনদুনা লৈরিবা ইষ্ট চাইনা সিগী ইথৎশিংগী অকোয়বদা লৈরিবা ঈশিংগী শরুক্তা চাইনিজ নেভিগী সিপ অমা থৌজিনখিবগা লোয়ননা টোকিয়োনা খুদক্তা চাইনিজ এম্বেসেদর কৌখৎতুনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে হায়না জপানিজ গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোক্লি।

মতম অদুমক্তা রশিয়ন নেভিগী সিপশিংসু এরিয়া অদুদা লৈবা উখি হায়না লোকল মিদিয়ানা ফোঙদোক্লি।

লোকল মতমদা নোংয়াই মতুং পুং ১ রোম তাবদা চাইনিজ নেভিগী ভেসেল অমা সেনকাকু ইথৎকী অকোয়বদা লৈবা ঐখোয়গী লৈবাক্কী তায়নবা ঈশিংগী শরুকশিংদা থৌজিল্লকখি হায়না জপানিজ ফোরন মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি। জপাননা মী তাদবা ইথৎশিংদুগী মমিং শীজিন্নদুনা এদমিনিষ্ট্রেসন তৌদুনা লৈরি। অমরোমদা, চাইনানসু ইথৎশিং অদু দিয়াওয়ু ইথৎশিং হায়না মমিং থোনদুনা ক্লেম তৌরি।

টোকিয়োনা ইথৎশিংদুগী মরক্তগী খরা নেসনেলাইজ তৌখিবগা লোয়ননা জপান অমসুং চাইনাগী মরী কুমজা ২০১২দগী শোকচিল্লকখি।

মদুদগীদি এসিয়াগী খ্বাইদগী চাউবা ইকনমি অনীনা মরী ফগৎনবা খোঙথাং কয়া তপ্পা তপ্পা লৌখৎখি। তৌইগুম্বসুং অনীগী মরী ইনুং নুংঙাইতনা লৈরি।

জপানিজ ভাইস ফোরন এম্বেসেদর চেং য়োঙ্গুৱাবু নোংয়াই মতুং পুং ২ রোম তাবদা কৌখৎতুনা প্রোটেষ্ট তৌখি।

সাইকিনা "নুংনাংবা কন্না ফোঙদোকখি অমসুং চাইনিজ নেভিগী থৌওং অদুবু প্রোটেষ্ট তৌখি অমসুং সিপ অদু খুদক্তা ঐখোয়গী লৈবাক্না তায়নবা জপানদগী থোকখিনবা দিমান্দ তৌখি" হায়না মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্টনা হায়খি।

# টালিবান্না মীওই ১২ হাৎখ্রে, অফঘান হায়ৱেদগী ৪০ ফাখ্রে



কাবুল, জুন ০৯ (এজেন্সী) :
অফঘানিষ্টানদা লালহৌবগী ঈরাং কনখৎলক্লে তাকপা থৌদোকশিং ওইনা নোংপোক থংবা ঘজনি প্রোভিন্সতা টালিবান্না হন্দক্তা ফাখিবা সিক্যুরিটি ওফিসলশিংগী নোংমৈনা পানবগী দাগফমশিং য়াওবা অশিবা হকচাংশিং ঙসি অফঘান ওথোরিটিশিংনা লৌখৎখ্রে লোয়ননা গনমেনশিংনা ঙসি লৈবাক্তুগী অৱাং থংবা শরুক্তা মীওই ৪০ ফাখ্রে হায়রি।

মীহাৎ মীপুনগী থৌদোকশিং অদুনা অফঘানিষ্টানগী ঈং-চীকপা অমসুং সিক্যুরিটিগী ফীভম লৌশিল্লক্লি হায়বা উৎলে হায়রি।

হৌখিবা এপ্রিলদা চহীগী স্প্রিং ওফেন্সিভ হৌখিবা টালিবান্না রেম্দান মনুংদা সিজফায়র অমা চৎনহন্নবা চয়োল অসিদা গভর্ণমেন্টনা হৌদোকখিবা ৱাফম রিজেক্ট তৌখি।

লালহৌবগী ঈরাং কনবা ঘজনি প্রোভিন্সতা হৌখিবা থা ২ রোম অসিদা তোঙান তোঙানবা হায়ৱেগী ক্রোসিংশিংদগী লান্মী, পুলিস অমসুং ইন্টলিজেন্স ওফিসর ১২ ফাখি।

"য়েক্লবনা ফাখিবা ঐখোয়গী পার্সনেলগী হকচাং ঙসি অয়ুক এন্দর দিষ্ট্রিক্তা থেংনরকখি" হায়না ঘজনিগী গভর্নর মোহম্মদ অমন হমিমনা পাউমীশিংদা হায়খি।

তোঙানবা মী ফাবগী থৌদোক ওইনা কুন্দুজদা ঙসি লালহৌবশিংনা বসকী পেসেঞ্জর ৪০ ফাখ্রে। মদু হন্দক চয়োল অনী ফাদবা মতমগী মনুংদা নোর্দর প্রোভিন্স অদুদা থোক্লিবা অসিগুম্বা মী য়াম্না ফাবগী অনীশুবা থৌদোক্লি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

টালিবান ফাইটরশিংনা কুন্দুজ সিটি মনাক্কী হায়ৱেদগী বস অদুবু খাল্লিঙৈদা অতৈ পেসেঞ্জর তরেৎ মফমদুদগী নাম্থোক্তুনা চেনখ্রে হায়না পুলিসকী স্পোক্সমেন মহফুজুলা অকবরিনা ফোঙদোকখি।

টালিবান্না মীফা ১২দুগী মরমদা করিমত্তা ফোঙদোক্তনা লাকখিবনি। মখোয়না খ্বাইদগী নৌবা ওইনা মীওই ৪০ ফাখিবদুগী মতাংদসু হৌজিক ফাওবা করিমত্তা ফোঙদোক্ত্রি।

খ্বাইদগী নৌবা বস পেসেঞ্জরশিং ফাবগী থৌদোক অসি টালিবান্না হৌখিবা চয়োলদা কুন্দুজদা বস পেসেঞ্জর ১০ হাৎখিবা মতুং অমসুং অতৈ দজন কয়া অমা ফাখ্রবা মতুংদা লাক্লিবনি। মখোয়না বসশিং অদুদা তোংলিবা অফঘান সিক্যুরিটি ওফিসলশিং টার্গেট তৌরিবনি হায়না লালহৌবশিংনা ফোঙদোকখি।

য়ু এসকী দ্রোন এটেক অমদা মুলা মনসৌর শিরে হায়না ওফিসল ওইনা কনফর্ম তৌরবা মতুং হৌখিবা মে ২৫দা হাইবাটুলা অখুন্দজাদাবু মখোয়গী ওইরে হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা টালিবান্না এটেকশিং কনখৎলকখি।

মিলিটরি কম্মান্দর অমা ওইবদগীদি স্পিরিচুয়েল ফিগরহেদ অমা ওইনা ঈকায় খুম্নবনা হেনবা অখুন্দজাদানা মনসৌরগী মতৌ তমদুনা পিছ টোক্কী ৱাফমদা মায় ওনশিনবগী মহুত্তা অফঘান গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা এটেক হেনগৎহল্লক্কনি হায়না ওবজার্ভরশিংনা থাজরি।

# অল-শবাবকী মিলিটেন্টশিংনা ইথিওপিয়ন লান্মী ৪০ হেন্না হাৎখ্রে



মোগাদিশু, জুন ০৯ (এজেন্সী) :
অফ্রিকন য়ুনিয়নগী অমিসোম ফোর্সকীদমক্তা থবক তৌরিবা ইথিওপিয়ন ট্রুপশিংগী বেজ অমদা মখোয়গী ফাইটরশিংনা সুইসাইদ কার বোম অমা থৌজিনখ্রে লোয়ননা ফাইটরশিংনা লান্মী ৪৩ হাৎখ্রে হায়না সোমালিয়াগী অল-শবাব মিলিটেন্টশিংনা ঙরাং ফোঙদোকখ্রে।

সেন্ট্রেল টাউন হগলানদা লৈবা বেজ অমগী মনাক্তা নোংঙালমদাইদা পোকখায়খিবগী অহৌবা মখোল অমা অমসুং মদুগী মতুংদা নোংমৈ কন্না কাপ্নবগী মখোল তাখি হায়না মফম অদুগী মীওইশিংনা ফোঙদোকখি। অহানবগী পোকখায়বগী মতুংদা য়ামদ্রবদা পুং ১ রোমদি নোংমৈ লেপ্তনা কাপখি হায়না মখোয়না মখা তাখি।

অমিসোমগী মায়কৈদগী খুদক্কী ওইনা ৱারোল অমত্তা ফোঙদোরকখিদে। অমিসোম অসি অল-কাইদাগা মরী লৈনবা মিলিটেন্টশিং থেংনবদা সোমালিয়া গভর্ণমেন্টবু শৌগৎলিবা অফ্রিকন লৈবাকশিংগী ট্রুপশিংনা শেম্বনি।

ট্রুপ কন্ট্রিব্যুট তৌরিবা লৈবাকশিংনা মীশি-মীনা, অশোক-অপন থোকপশিং লাউথোক্কে নৎত্রগা লাউথোকচরোই হায়না লেপচবা য়াই হায়না অমিসোমনা হায়রি। মমাঙদা অল-শবাবনা ফোঙদোকখিবা অশিবা অমদি অশোকপশিংগী মশীং অদু ওফিসল মশীংদগী য়াম্না হেনখি।

"ঐখোয়গী ফাইটরশিংনা অমিসোমগী হলগন বেজদা থোমজিনখি" হায়না অল-শবাবকী মিলিটরি ওপরেসন্সকী স্পোক্সমেন অবদিয়ামিস অবু মুসবনা রোইটর্জদা হায়খি। মহাক্না হায়খি, গ্রুপ অদুনা সুইসাইদ কার বোম অমা শীজিন্নখি অমসুং মদুগী মতুংদা মিলিটেন্টশিংনা মফম অদুদা লৈরন্নিবা ইথিওপিয়ন ট্রুপশিংগা নোংমৈ কাপ্নখি। মহাক্না অল-শবাবকী ফাইটর কয়াসু এটেক অদুদা শিখি হায়খি। তৌইগুম্বসুং চপ চাবা মশীংদি ফোঙদোকখি।

"মদু অচৌবা পোকখায়বা অমনি। মদুদা গেট অমসুং বেজগী শরুকশিং অকায়-অতোয় থোকখি।" অল-শবাবকী ফাইটরশিংদুনা বেজ অদুদা লাকহৎখি অমসুং ইথিওপিয়ন ট্রুপশিং তাম্থোক্লবা মতুংদা মফমদুদগী ৱিথদ্রো তৌখি হায়না স্পোক্সমেন অদুনা হায়খি।

অল-শবাবকী ফাইটরশিংনা এরিয়া অদুগী অতোপ্পা বেজ অমদগী দিপ্লোইদ তৌরকখিবা জিবৌতি ট্রুপশিংনা কাউন্টর এটেক অমা চথনবা হোৎনরকখিবদসু মায় পাকহনখিদে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

গভর্ণমেন্টবু চীংথুরগা মখোয়গী ওইবা ইস্লামগী ষ্ট্রিক্ট ইন্টরপ্রিটেসন অমা সোমালিয়াদা চৎনহন্নবগী পান্দমদা গ্রুপ অদুনা ওফিসলশিং, সোমালি সিক্যুরিটি ফোর্সশিং অমসুং অমিসোমদা নোংমৈ অমসুং বোমগী এটেক কয়া তোয়না চথে।

হৌখিবা জন্যুৱারীদা অল-শবাবনা কেনিয়ন বোর্দরগী মনাক নক্লা লৈবা অল অদেদা লৈবা মখোয়গী কেম্প অমদা নোংঙালমদাইদা শাথিবা রেইদ অমা চথ্খিবদা অমিসোমদা থবক তৌখিবা কেনিয়ন ট্রুপশিংদা মীশি-মীনা চাউনা থোকহনখি।

অল-শবাবনা এটেক অদুদা কেনিয়ন লান্মী ১০০ হেন্না হাৎখি হায়না ফোঙদোকখি। তৌইগুম্বসুং কেনিয়নদি চপ চাবা অশেংবা মশীং পীখিদে।

# মমানা চহী ১৮গী মচানুপী মৈ থারগা হাৎখ্রে

ইস্লামাবাদ, জুন ০৯ (এজেন্সী) :
মচানুপীবু কেরোসিন হৈজিন্দুনা হিংনা মৈ থারগা হাৎখিবনি হায়বা পাকিষ্টানি নুপী অমা ঙরাং পুলিসনা ফাখ্রে। নুপীমচাদু ইমুংগী অপাম্বগী মায়োক্তা মহাক্না নুংশিনজবা নুপাদা লুহোংবগীদমক্তা হাৎখিবনি।

পুলিসকী ওফিসল শৈইখ হম্মাদনা হায়খি মদুদি, তমথিরবা মীহাৎ অদু লৈবাক অদুগী কলচরগী সেন্টর ওইরিবা নোংপোক থংবা সিটি লাহোরদা থোকখিবনি অমসুং মমাদুসু নুমিৎতুমক্তদা ফাখি।

পরবীন রফিক কৌবী মচা হাৎপীনি হায়না চিংনরিবা নুপী অদুনা চহী ১৮ শুরবী জীনেত রফিক কৌবী মচানুপীদুবু থুপতোক থুপচিন য়াবা য়োৎকী কাংথোল অমদা পুনশিনখি অমসুং মহাক্কী মচানুপা অহমদ রফিককী মতেংগা লোয়ননা মহাক্না নুপীমচাদু কেরোসিন হৈজিনখি অমসুং মৈ থাদুনা হাৎখি হায়না ফোঙদোকচরকখি হায়না হম্মাদনা হায়খি।

নুংশিবা অমসুং লুহোংবগী মতাংদা মহৌশাদগী লৈরক্লবা চৎনবীশিং খোঙ্গাউনৈ হায়বগী মরালদা পাকিষ্টানদা চহী খূদিংগী নুপী ১,০০০ রোম "ইমুংগী ঈকায় খুম্নবা কনবগী মিংদা হাৎতোকই" হায়রি।

স্কুল ওজা ওইবী মরিয়া বিবি কৌবী চহী ১৯গী নুপীমচা অমা মঙোন্দগী শরুক অনী হনবা নুপা অমদা লুহোংউ হায়বা য়াদবগীদমক্তা ফারগা হিংনা মৈ থাদুনা হাৎখি। মহাক্না শিদ্রিঙৈগী মমাঙদা মরিয়া বিবিনা পুলিসতা ৱারোল অমা ফোঙদোক্লমখি। এটেক্কর মঙানা মহাক্কী ময়ুমদা নমদুনা চঙলকখি অমসুং মহাকপু মখোয়না মপানদা চীংথোক্লগা ফুখি অমসুং মৈ থাখি হায়না নুপীমচাদুগী ৱারোলদুনা হায়খি।

কেস অদুদা মরু ওইনা চেন্নবনি হায়রিবা নুপীমচাদুনা লুহোংউ য়াখিদবা নুপাদুগী মপা অমসুং অতৈ মরি ফারে হায়রি। থা অমগী মমাঙদা মমান্নবী অমা চেনবদা মতেং পাংখিবনি হায়বা নুপীমচা অমবু মখৌরী মেৎতুনা হাৎখিবা মীওইশিংনি হায়বা লোকল ট্রাইবেল কাউন্সীলগী মেম্বর ১৩ পুলিসনা ফাখি হায়রি। অন্বীন রিয়সট কৌবী চহী ১৭কী নুপীমচা অদুগী মৈনা কানা চাকখ্রবা হকচাং অদু মৈ চাকখ্রবা ভেন অমগী মনুংদা য়াওরমখি।

লাহোরদা হাৎখিবা জিনেত রফিক কৌবী নুপীমচা অদু হৌখিবা থাদা মেজিষ্ট্রেটকী কোর্ট অমদা হশন খান কৌবা মোটোরসাইকল মেকানিক অমদা লুহোংখিবনি হায়না হম্মাদনা ফোঙদোকখি।

নুমিৎ ৩নিগী মমাঙদা নুপীমচাদুগী মমা অমসুং মখুরা অমনা মহাক্কী মনাক্তা চত্তুনা য়ুমদা হল্লক্তুনা মহৌশাদগী ঙাক্তুনা লাকপা ইমুংগী চৎনবী থৌরম অমা পাঙথোক্তুনা অমুক হন্না লুহোংনবা তক্লখি। মখোয়না অদুম তৌরবদি মহাক মপূন্সি চুপ্পা "চেনখিবী" নুপীনি হায়না মীয়াম্না ঙাওনবা তৌররোই হায়খি।

মহাক্কী মপুরোইবা খাননা লোকল ন্যুজ টি ভী চেন্নেল অমদা মহাক্কী নুপী অদুদা খ্বাইদগী লাইবক থীবা থৌদোক থোক্কদ্রা হায়বগী চিংনবা পোকখি হায়না ফোঙদোকখি হায়রি।



HL-B/3096/18/05-17/05

## EMPLOYMENT NEWS

### BHARAT COKING COAL LIMITED – BCCL RECRUITMENT 2016 – 721 OVERSEER, JUNIOR OVERMAN & MINING SIRDAR VACANCIES – LAST DATE 07 JULY

**BCCL Recruitment 2016**

Bharat Coking Coal Limited (BCCL) invites application for the post of 721 Overseer, Junior Overman & Mining Sirdar. Apply Online before 07 July 2016.

**Advt No : 06/2016**

**Job Details :**

**Post Name :** Overseer (Civil)
**No of Vacancy :** 66 Posts
**Pay Scale :** Rs. 19035.02 (Per Month)
**Post Name :** Junior Overman
**No of Vacancy :** 310 Posts
**Pay Scale :** Rs. 19035.02 (Per Month)
**Post Name :** Mining Sirdar
**No of Vacancy :** 345 Posts
**Pay Scale :** Rs. 19035.02 (Per Month)

**Eligibility Criteria for BCCL Recruitment:**

**Educational Qualification :**

**For Overseer :** Candidates Should have passed the Matriculation or equivalent examination and Diploma in Civil Engineering (3 Years).

**For Junior Overman :** Candidates Should have Diploma in Mining Engineering of 3 (Three) years duration from recognized institute and Valid Overman's Certificate of Competency issued by Director General of Mines Safety (DGMS).

**For Mining Sirdar :** Valid Mining Sirdar's Certificate issued by Director General Mines Safety (DGMS).

**Nationality :** Indian
**Age Limit :** 18 to 30 years as on 07.07.2016
**Age Relaxation :**
**For SC/ST candidates :** 05 years
**For OBC candidates :** 03 years
**For PWD candidates :** 10 years
**Job Location :** Dhanbad (Jharkhand)

**Selection Process :** The selection will be made on the basis of Written Test.

**Application Fee :** Candidates have to pay Rs.200/- through SBI-i-Collect option. SC/ST, PWD, Ex-Serviceman and departmental candidates are Exempted from Application Fee.

**How to Apply BCCL Vacancy :** Interested Candidates may apply Online through the website www.bccl.gov.in from 15.06.2016 to 07.07.2016. Candidates are required to take print out of 'Registered Application Form' filled through online mode along with self attested documents and send it to through ordinary post only to The Advertiser (BCCL), Post Box No: 9248, Krishna Nagar Head Post Office, Delhi – 110051 on or before 17.07.2016.

**Important Dates to Remember:**

**Starting Date for Submission of Online Application :** 15.06.2016
**Last Date for Submission of Online Application :** 07.07.2016
**Last Date of Submission of Payment Online Portal/ Bank :** 10.07.2016
**Last Date for Submission of Hard Copy of Online Application :** 17.07.2016

**Important Links:**

**Details Advertisement Link :** http://205.147.110.48/BCCI2016/Document/Advertisement_English.pdf
**Apply Online :** http://205.147.110.48/BCCI2016/Pages/Index.aspx

### DIRECTORATE OF HEALTH & FAMILY WELFARE – GOVERNMENT OF PUNJAB RECRUITMENT 2016 – 339 MEDICAL OFFICERS (SPECIALIST) VACANCY – LAST DATE 13 JUNEGOVERNMENT OF PUNJAB RECRUITMENT 2016

Directorate of Health & Family Welfare, Punjab invites Applications for the post of 339 Medical Officers (Specialist). Apply before 13 June 2016.

**Job Details :**

**Post Name :** Medical Officers (Specialist)
**No of Vacancy :** 339 Posts
**Pay Scale :** Rs. 15600-39100/-
**Grade Pay :** Rs. 5400/-

**Specialty Wise Vacancies :**

**Anaesthesia :** 39 Posts
**ENT :** 01 Post
**General Surgery :** 12 Posts
**Gynaecology :** 12 Posts
**Medicine :** 48 Posts
**Ophthalmology :** 26 Posts
**Orthopaedics :** 10 Posts
**Pathology :** 05 Posts
**Paediatrics :** 110 Posts
**Psychiatry :** 28 Posts
**Radiology :** 41 Posts
**Skin & V.D. :** 03 Posts
**TB & Chest :** 04 Posts

**Eligibility Criteria for PB Health Recruitment :**

**Educational Qualification :** M.B.B.S. Degree and holding a Post Graduate degree in requisite specialty, recognized by the Medical Council of India And Registered with Punjab Medical council or with any other duly constituted Medical Council in India.

**Nationality :** Indian
**Age Limit :** 18 to 37 years (as on 01.01.2016)
**Age Relaxation :**
**For SC/ST/BC Candidates :** 5 years
**For PH Candidates :** 10 years
**Job Location :** Punjab

**Selection Process :** Selection will be made on Interview.

How to Apply : Interested candidates may Apply in prescribed application form along with testimonials send through email nrc.dhspunjab@gmail.com on or before 13.06.2016 & Attend the interview along with original document & Application form on 17.06.2016.

**Venue of Interview :** Auditorium , State Institute of Health & Family Welfare Complex, Near Civil Hospital, Phase-VI, Ajitgarh, (Mohali) Contact No.0172-2266938.

**Important Dates to Remember :**

**Last Date for Submission of Online Application :** 13.06.2016
**Date of Interview :** 17.06.2016

**Important Links :**

**Detail Advertisement Link :** http://pbhealth.gov.in/walk%20in%20interview%20MO%20Spl.%2017.6.pdf